**PASS BOOK LOST**

I have lost my **National Small Saving Scheme Pass Book** bearing A/C No. **5844447819** issued by Department of Post (India), Thoubal Branch on the way between my residence and Thoubal Bazar on 17/5/2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-*
Laishram Eshwori Devi
D/O **Elangbam Romarani Devi,**
Khangabok

PK/937/20

ꯄꯥꯎꯅꯤꯜꯈꯣꯟ

# পাউনিলখোন

Paonilkhon

A Daily Local Newspaper

**DM OFFSET**

All kinds of Printing & BINDING etc.
Governor Road
Near Suresh Book Store

৩৫ শুবা চহিগী | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৪ | ইম্ফাল, তাং ২০ । ০৫ । ২০২৬ ইং, ইঙাগী ৪নি পানবা য়ুমশাকৈশা | RNI-53810/90 | মমল লুপা- ২ /-

## অতেনবা পাউ

### ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা শাবুংখোক খোঙনাং মখোং কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসি য়ূঠ এন্দ ষ্টুদেন্ট ৱেলফেয়ার ক্লব (ৱাই এস দব্লিয়ু সি) শাবুংখোক অমসুং জেনিমসকী কেম্পসতা লৈবা কার্কিনোস মণিপুর কেন্সর ইন্সটিট্যুট এন্দ রিছার্স সেন্টরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ফ্রি মেডিকেল কেম্প এন্দ এৱেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

লেম্না লাইয়েংবগী থৌরম অদুদা কার্কিনোস মণিপুর কেন্সর ইন্সটিট্যুট এন্দ রিছার্স সেন্টরগী ডোক্টর, নর্স অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টাফশিং য়াওনা শাবুংখোককী অশা ৱার্কর কয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌখি। হায়রিবা লেম্না লায়েংমগী থৌরম অদুদা মীওই ৭০ রোম্না হেল্‌ঠ চেকঅপ তৌখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টেষ্ট মখল কয়াসু তৌখি।

### ষ্ট্রাইক চথখ্রে

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

ওল ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন ওফ কেমিষ্ট এন্দ দ্রগিষ্টনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা ষ্ট্রাইক চথখ্রে।

হিদাকশিং ওনলাইনদা অহোংবা মমলদা ফংহনবদা দ্রগ দিষ্ট্রিব্যুটর অমসুং ফার্মাসিশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবগী মায়োক্তা ষ্ট্রাইক অসি চথবনি হায়রি।

মণিপুরদসু মসিবু শৌগৎলদুনা ইন্দিয়ান ফার্মাসিষ্ট এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরী সাপম সরতচন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, ওনলাইনদা ফার্মাসিগী গাইদলাইনগী ৱাংমদা হিদাকশিং মমল হোংনা ফংহন্দুনা দুকান মচা মচা ফল্লিবা ফার্মাসিশিংদা চাওনা চৈথেং পীরি। সরকারনা হিরম অসিগী মতাংদা অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপীনবা অপিল তৌখি।

### অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

সঙ্গিৎ ভুষন হায়বা মীথোল পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবী শক্লাইরবী মতম ঈশৈ শৈশকপী য়েনশেম্বম বিলাসিনিনা থা অসিগী ১৫দা লৈখিদবদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## নাগাগী মীওই ৬ ফাজিনখিবগী মায়োক্তা ন্যু চেক্কোনগী ত্রাইবেল মার্কেটতা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**




কুকি খূৎলাই পায়বশিংনা থা অসিগী ১৩দা ফাজিন্দুনা থমখিবা নাগাগী মীওই ৬ অদু হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা লৈরিবা অসিদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি য়ানিংদে হায়না লিয়াংমৈ পুই নাগা রুৱাংদি ইম্ফাল য়ুনিটকী সেক্রেটরী সিঐচ ৱিসিলিউ চারেংমাইনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ন্যু চেকোনদা লৈবা ত্রাইবেল মার্কেটতা ঙসি নাগা ৱুমেন'স য়ুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা রোংমৈ নাগা লুপ ফাৱান মণিপুরা (ইম্ফাল লুৱাংরিয়ান) ফোর ওল নাগা কম্ম্যুনিটিজ, নমদুনলোং ৱুমেন'স সোসাইটি অমদি নাগা কম্ম্যুনিটিজ ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, কুকি খূৎলাই পায়বশিংনা নাগাগী মীচম ৬ ফাজিন্দুনা থমখিবা অসি নুমিৎ ৭নি মপুং ফারক্লবা ফাওবা মখোয় ৬ হৌজিক কদাইদা লৈবগে অমদি হিংলিব্রা নৎত্রগা শিখ্রব্রা হায়বা অশেংবা লংলা লংজিন অমত্তা ফাওবা খঙহন্দনা লৈরি। হায়রিবা নাগাগী ইচিল ইনাও ৬ পু কুকিশিংনা ফাজিনখ্রগা মখোয়না নাগাগী নুপা অমত্তা ফাবা লৈতে হায়না মচিন থিরক্লিবা অসি মীয়াম্না য়ানিংদে। মফম অদুদা সেন্ট্রেল ফোর্স লৈনা লৈনা রিপোর্ট অমত্তা পুথোকপা ঙমদবা হায়বা অসি তশেংনা লাইবক থিবনি।

লোয়ননা ফাজিনখিবা মীওই ৬ অদু হৌজিক হৌজিক কদাইদা লৈবগে অমদি করি চাদুনা লৈরিবগে হায়বা অৱাবা ৱাখলঅমগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং মনুং অমদি খুলগী খুঞ্জাশিং অসি ঙসি ফাওবা লৈফম চাফম খঙদনা লৈরক্লিবনি। মরম অদুনা ফাজিনখিবানাগাগী ইচিল ইনাও ৬ অদু অথুবা মতমদা থাদোকপীরকউ।

করিগুম্বা মখোয় ৬ অদু থাদোরক্তবা তারবদি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ইন্দিজেনস পিপলশিংগা লোয়ননা মখা তানা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা এরেষ্ট লৈলোন ভাইফৈ ভিলেজ চীফ এন্দ হিজ এসোসিয়েটস, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর মষ্ট রিজাইন ওন মোরেল গ্রাউন্দ, ৱি ৱান্ট থেম এলাইভ, সেফ রিলিজ ওফ হোষ্টেজেজ, নো পিছ ৱিথআওট জষ্টিস অমদি এরেষ্ট এন্দ প্রোজিক্যুট ওল মিলিটেন্টস ইনভোল্ভ ইন লৈলোন ভাইফৈ ভিলেজ ক্রাইম হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখি।

## লৌমীশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংদা মায় ওনশিন্দুনা মতমগী পোথোকশিং মরাং কায়না পুথোকপা মথৌ তাইঃ বসন্ত

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**




মণিপুরগী লৌমীশিংবু পূক্নিং থৌনা হেন্না পীনবা, পোথোক হেন্না পুথোক্তুনা শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সেল্ফ হেল্প কম্মিটি, ককচিং খুনৌনা কিশান সঙ্ঘ মণিপুর ব্রাঞ্চ অমদি আই সি এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স এন ই ঐচ রিজনগা পুন্না খুৎশম্নদুনালৌমীশিংগী নোংমগী ওইবা সম্মর ভেজিটেবল মেলা অমা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী এম আই দি ঐচকী মখাদা হন্দক্তা ককচিং খুনৌদা নৌনা শাবা ন্যু কৈথেল সেদতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা হেদ ওফ রিজনেল সেন্টর আই সি এ আর মণিপুর ডা. সোইবম বসন্ত, থৌরম মপু ওইনা কিষান সঙ্ঘ মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট এন ইন্দুভুসন, ইকাই খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা প্লান্ট পেথোলোজিগী সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট ডা. এ রতনকুমার অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কনঞ্জার্বেসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার খাইদেম মালেমঙানবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ডা. সোইবম বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি চাদ ৬০ লোম্না লৌমী ওইবা লমদম অমনি। হৌজিক লমদম অসিদা ফৌ থাবখক্না লৌমী ওইবা ঙমদ্রে, শেন্দোং ফংবা ঙমদ্রে। অদুনা ঐখোয় লৌমীশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংদা মায় ওনশিন্দুনা মতম মতমগী পোথোকশিং মরাং কায়না শেন্দোং লৈনা পুথোক্লবা হোৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

ককচিং খুনৌগী লৌমীশিংনা হোৎনরিবসি মতৌ তমজনিংঙাইনি অদুবু শীজিন্নরিবা লৌউ পথাপ, টেক্নোলোজি অমদি ইক্যুপমেন্টশিং খরা ইম্প্রুভ ওইহনবা, মোর্দন টেক্নোলোজি ওইহন্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। মসিদা আই সি এ আর অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা পুন্না তাথোক তাশিন তৌমিন্নবা অমদি পুন্না হোৎনমিন্নসি। অহেনবা চাথোক পুথোকমিন্নদুনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোন কনমিন্নসি লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লিবা মেলা অসি মতুং তারকপদি হেন্না পাকথোক চাওথোক্না পাঙথোক্লুবসু হোৎনগনি হহায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

## লকজরি লাইফতা লৈরুরবা এম এল এশিংনা মীখল ময়াদা মীয়ামদা স্কিম খঙহনবা লাইবক থিবনিঃ মহেশ্বর



**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

চহী ৪ মখাইরোম মীয়ামগী পীথরকপা মখল কয়াগী স্কিম অমদি কান্নবশিং য়ৌহন্দনা লকজরি লাইফতা লৈরুরবা এম এল এশিং স্কিমশিং অসি লৈ হায়দুনা মীখল ময়াদা খক মীয়ামদা খঙহনবগুম তৌই হায়না আর পি আই (এ)গী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরী মহেশ্বর থৌনাওজম্না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহেশ্বর থৌনাওজমগী মীৎয়েং মখাদা কম্পোজিট রিজনেল সেন্টর, ইম্ফাল অমদি পি এম দি কে, ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা কৈশামথোং ৱার্দ নম্বর ৯দা হৌদোকখিবা আর ভি ৱাই (সেনিয়ার সিটিজন্স) অমদি এ দি পি ৱাই (দিসএবল) স্কিমগী মখাদা কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এসেসমেন্ট কেম্প প্রোগ্রামগা মরী লননা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা আর ভি ৱাই অমদি এ দি এ পি স্কিমগী মখাদা চহী ৪০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং লেম্না মীৎকী স্ক্রিনিং চথখি। লোয়ননা চহী য়াল্লবা অহল কয়া মখল মখা কয়াগী অনা লায়েং চথখি অমদি লেম্না হিদাক লাংথকসু পীখি।

থৌরমগামরী লৈননা মহেশ্বর থৌনাওজম্না মখা তারদুনা হায়, নুপী অঙাং অমদি অহলশিংগী ওইবা করি করম্বা লৈঙাক্কী স্কিম লৈরি অমদি করম্না মীয়ামদা কান্নবশিং ফংহনগদগে হায়বসি লৈরিবা এ সি অদুগী এম এল এশিংগী মথৌনি। মীহুৎ অমা ওইবগী মশাগী মথৌদাং পাঙথোকপগী মহুত্তা মীয়ামদা উৎ চাইবা, মীখলদা মীয়াম্বু পৈশানা লৈগে খনবা অসি লাইবক থিবনি। হায়রিবা মীহুৎশিং অসিদগী মীয়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা মীরোনবী নুপী য়াওনা পীক্লিবা অঙাংশিং অমদি অহল ওইরবশিংদা পীরিবা মখল কয়াগী বেনিফিট স্কিম অসি মীয়ামদা মতম চানা য়ৌহনবা তঙাইফদে। মহাক্কী মায়কৈদগী অকনবা থাক্তা হোৎনগনি হায়খি।

## মীতোপ খন্দোকসি য়াদবনা লমদম অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপনিঃ জীতেন্দ্র নিঙোম্বা




**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

মীতোপ খন্দোকসি য়াদবনা লমদম অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপনি। লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা লান্দারিবা চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং লমদম অসিগী য়েলহৌমী ওইরম্লবদি লান্দারক্লমদবসু য়াই হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়ার দিমিলিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জীতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা ষ্টেট অসিদা ওগষ্ট ১৬তগী সেন্সস তৌগনি হায়দুনা থৌরাংলিবা অসিগী মাঙওইননা এন আর সি হান্না অপদেট তৌবিনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লিবা অসিদা লৈঙাক অসিনা ঙম্মী মতাগুম সেন্সসকী থবক পায়খৎপা হৌরক্লবদি লমদম অসিগী মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা সেকমাই কৌজেংলৈমা কম্ম্যুনিটি হোল, অৱাং সেকমাই অমদি ৱাঙ্গোই বজারদা ফমখিবা মীয়ামগী মীফম অসিদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

জে এফ দিকী কনভেনর জীতেন্দ্র নিঙোম্বনা মখা তারদুনা, লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিঘবা ইরাং অসি মপান লমদগী নারোলদা চঙলকপা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবনি খঙলবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা মীতোপ খন্দোকসি হায়বদা তাশিন উশিন্নদনা লৈরি।

মীতোপনা খূৎলিংবা লমদম অমা ওইদ্রিঙৈ মীতোপ খন্দোকপা হায়বসি ঐখোয়গী লেঙদ্রবা পান্দম অমা ওইরগা লমদম অসিগী মীয়াম্না মীতোপ খন্দোক্লবা হোৎনবদা থোরকপা খুদোংথিবা খুদিংমক ঐখোয় অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা চঙই।

কুমজা ১৯৫১দা পাঙথোকখিবা সেন্সসকী থবক্তগা নিয়ম কয়ানা পাঙথোকখিবনা মশিং থিঙমদ্রবা মীতোপ হেনগৎলক্তুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সেন্সস অসিগী মাঙওইননা মীতোপ খন্দোকপগী থবক তৌহৌদ্রবদি নোংমদি শোয়দনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী মুৎখিবা য়াই। লোয়ননা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী য়াইফনবা লৈঙাক্লা লৌগদবা থৌদাং লৌরক্ত্রবদা লমদম অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা মৈরা পায়বী ইমাশিংনা লমদম অসিদগী ..মখা লমাই ২ দা..

..মখা লমাই ২ দা..

## মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপহন্দ্রিবমখৈ লোইরোই ঃ ৱাই কে ধিরেন

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপহন্দ্রবদি লোইবা নাইরো, মসি মখোয়গী পোলিসিনি। মীয়ামগী ইহৌবু মখোয়না থুগাইনবা হোৎনবা মখোয়গী পান্দমনি। মরম অদুনা ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মওং তাদবা থৌশিল অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমী) গী কনভেনর ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

কুকি টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেকদাউন তৌ, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা প্রোক্সি ৱার লেপহল্লু হায়না তোঙান তোঙানবা মফমদাৱাকৎ মীফম চথবগী মনুং চন্না ঙসি কোকোমীগী মীৎয়েং মখাদা ওল ফুল্লৌ অপুনবা মৈরা নুপী লুপকা খূৎশম্নরগা ওল ফুল্লৌ কম্ম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম চথখিবা অদুদা ৱাফম অসি ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না মখা তানা হায়, ২০২৩গী মে ৩দগী থোক্লিবা ইরাং অসিদা মণিপুর অসি করম্বা ফিভম অমদা লৈহল্লবগে হায়বসি ঐখোয় নৈনবা চুম্মী। মণিপুরগী ইশু অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিসি অমগী মখাদা থোকহনবনি। মসি লেপহনবা হায়বসি মখোয়গী মখূত্তা লৈ, মখোয়না ইরাং লোইশিনবা পামদে। অসিগুম্বা থৌশিল অসিগী মায়োক্তা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইদুনা অকনবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিনবা মথৌ তাগনি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু থুগাইনবা হোৎনরক্কনি মদুদা ঐখোয়না য়েক্লবসি কনানো হায়বা খঙমিন্নবসু মথৌ তাগনি।

ফুরুপ মশেল হাৎনহনবা, মখোয়গী প্রোক্সি আর্মিনা লমদম অসিদা মীহাৎ মীপুন চথহনবা অসি খুদক্তা লেপ্পবা হান্না হোৎনফম থোকই। মীতৈ-কুকি অমদি নাগা-কুকি মথং মথং হাৎনহল্লি, মণিপুরগী অপুনবা অদু থুগাইরগা মখোয়না অপাম্বা তৌনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা ফত্তবা থৌশিলদা ঐখোয় য়াওদনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

অমরোমদা, কোকোমীগী মীৎয়েং মখাদা য়াইঙংপোকপী বজারদাঅমদি লাংমৈথেল অপুনবা মৈরা পায়বীনসু শীন্দুনা লাংমৈথেল কম্ম্যুনিটি হোলদসু ৱাকৎ মীফম চথখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা প্রোক্সি ৱার ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপহল্লু, কুকি টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেকদাউন চথৌ, মীয়ামগী ৱাহং ৭কী পাউখুম লৈঙাক্লা পীয়ু হায়না খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

### চোপ্পর কাপথরগনি

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস**
**ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

উখুল দিষ্ট্রিক্টকী কুকিশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা অনওথোরাইজ ওইবা দ্রোন পাইবা অমদি পেসেঞ্জর পুবা চোপ্পরশিং ফাওদুনা পাইরবদি খূৎলাই অমা হেক্তা শীজিন্নদুনা কাপথরগনি হায়না মেদিয়া সেল ভোলুন্টিয়ার উখুল কমকাইনা মরী লৈনবশিংদা অকনবা ৱানিং তৌখ্রে।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯দা মোংকোট চেফুগী এরিয়াদা অনওথোরাইজ ওইবা দ্রোন পাইবা অমদি খুলশিংগী অরোন অথুপ খঙদোক্লবা হোৎনবগী খুদমসু ফংলে হায়রি।

Paonilkhon
পাউনিলখোন
ইম্ফাল ২০ । ০৫। ২০২৬, য়ুমশাকৈশা

# আই এল পি এস চৎনবদা বেজ ইয়ার চয়েৎনহনগুমসি

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদগী ষ্টেট অসিদা মীতোপ হায়নবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী নত্তবা ম্যান্মার য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লেপ্তুনা মী চঙশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতারকপা কয়া য়াওরকপা লোয়ননা য়েলহৌমীশিংনা তৌজরম্বা থবক কয়া মীতোপশিংনা মুনখিবদগী লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী শেল থুমগী ফিভমদা শোকচিল্লকপা হৌরকখি।

মসিনা শেল থুমগী ফিভমদা শোকচিল্লকপখক নত্তনা মীতোপকী মীশিং য়ামনখিদুনা য়েলহৌমীশিং মুৎশিল্লকপগুম হান্না চৎনরম্বা চৎনরোনচৎ লোয়ননা লাইনিং লাইশোনগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাক্লি। ফিভম অসিদগী লমদম অসিদা চঙলকপা মীতোপশিংবু ফোরেনর হায়না খঙনদুনা মীতোপশিং মণিপুরদগী হনখিনবগীদমক গো বেক ফোরেনর হায়বা খোল্লাও শীজিন্নদুনা ইহৌ ফাওবা লাকখ্রবনি। অদুগুম্বা খোঙজং অদু লৈবা মহৈরোই লুপ এমসুনা মপুম ওইনা চঙশিনখি। অদুবু খোঙজং অদু মপুং ফানা মায় পাকখিদবগা লোয়ননা মীতোপশিং চঙলকপসু অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকপদগী লমদম অসিদা মপান্দগী মীতোপ চঙলকপদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (আই এল পি এস) চৎনদ্রবদি তুংদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মাঙজবা অকায়বা কয়ামরুম লাক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবদগী লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ামরুম্না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সি) শেমদুনা আই এল পি চৎনহন্নবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। মদুগী মহয় ওইনা হৌখিবা চহী ২০২২গী অহৌনা নুমিৎ জনুৱারি ১দগী মণিপুরদা আই এল পি চৎনবা হৌরকখি। অদুবু চৎনরিবা আই এল পি অসি মপুং ফানা মীয়াম্না পাম্বা অদুদি ফংহনবা ঙমদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্না আই এল পিগী বেজ ইয়ার অসি ১৯৫১দা মীয়াম্না পাম্বা অসিগী মহুৎ বেজ ইয়ার ১৯৬১দা ওইরি। ঙসি ফাওবা চপ চাবা বেজ ইয়ারগী চয়েৎনবা অমদি লৈরি। মদুনা হৌজিক আই এল পি চৎনবসু কান্নফম খঙদ্রিবা অসি কান্নহন্নবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা লৈঙাক্নগা হোৎনবীফম থোকই। নৎত্রবদি আই এল পি চৎনবদা চয়েৎনবা অমা লৈগনি। মদু থোকহনগুমসি।

# অনাবশিংদা ঈ পীদুনা মমল য়াম্লবা মীওইবগী থৱাই কনমিন্নসিঃ সুবাসচন্দ্র

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

মথৌ তারক্লবা অনাবশিংদা ঈ পীদুনা মমাল য়াম্লবা মীওইবগী থৱাই কয়া কনমিন্নসি হায়না ইন্দিয়ান দেন্টেল এসোসিয়েসন (আই দি এ), মণিপুরগী ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. সিনাম সুবাসচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা এসোসিয়েসন অসি লিংখৎখিবগী ৩৭শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ব্লদ দোনেসন দ্রাইভকা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

পুন্না দোনর ৩০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা ডা. সিনাম সুবাসচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এসোসিয়েসন অসিদা হেক শাফোংলকখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা দেন্টেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখল ম খা কয়াগী লায়নাশিংগী ওইবা মীয়ামদা এৱেরনেস পীবদানত্তনা অঙন্বা মতেং কয়া পাদুনা লাকখি। লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা এসোসিয়েসন অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসিগী ঈ পীবগী থবক অসি পায়খৎলকপনি।

হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা অনাবশিংনা ঈগী মথৌ তারকপা মতমদা ঈ পীদুনা মমল য়াম্লবা মখোয়গী পূন্সি কনবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা খন্দুনা ঙসিগী ব্লদ দোসেন দ্রাইভ অসি শিনজবনি হায়খি।

**BIRTH CERTIFICATE TAHOURE**

Makhada piriba Eigi Echa Nupi Ani gi Birth certificate Tahoure. Department of Medical Health and Family welfare service, JNIMS Hospital na Piba

1. Regd No. B-2022: 14-01698-000910 Date of Regd. 14-12-2022, Ming-Aisha Shajabam amasung

2. Regd No. 3 date of Regd. 4/12/2020, Ming- Haleema Sajabam asi Hatta Golapati dagi JNIMS Hospital foubagi lambi da tang 12/5/2026 da tahoure. Kanagumbana thengnabiradi makha gi contact Number asida Pao Faobirak o # 88373 11251.

Haijariba,
Apokpa
MD NASIMUDDIN, Hatta Golapati

PK/938/20

# মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা মহৈরোইশিং হরাও তরাম্না ওকখ্রে

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**




স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদমী, সেকমাইজিন খুনৌনা শীন্দুনা স্কুল অসিদা তম্লকখিবা মহৈরোইশিংদা হন্দক চহী অসিগী বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোইশিংবু হরাও তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি স্কুল অসিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদমীগী ফাউন্দর কোংখাম মঙলেম, থৌরম মপু ওইনা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদমীগী সেক্রেটরী কোন্থৌজম কিরন অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল লাইশ্রম হেমচন্দ্র, স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর উরিকখিংবম বিস্বাকান্টা অমদি সেনিয়র লেকচরর মায়েংবম পিশকনা শরুক য়াখি।

ঙসি তরাম্না ওকখিবা মহৈরোইশিং অদুদি ক্লাস টেনগী এস এস এল সি এগজামিনেসনদা সি জি পি এ ৯.৬৭ ফংলকখ্রবা ইলিজাবেথ সলাম, সি জি পি এ ৯.০০ ফংলকখ্রবা চেসাম সাকির, বাসৈ তাসমিয়াহ, ব্রিন্দা শর্ম্ম ককচিংতাবম, সি জি পি এ ৮.৮৩ ফংলকখ্রবা সেসাম হুজৈফা লোয়ননা ক্লাস টুয়েল্বকী ঐস এস ইদা ৭৪.৬ পার্সেন্ট মার্টিনা হুইদ্রোম অমদি ৭২ পার্সেন্ট ফংলকখ্রবা দোল্লি কোন্থৌজমনি।

থৌরম অদুদা থৌরমগী লৈতেং ওইখিবশিংনা হৌরক্লিবাঅমদি মায় পাক্লক্লবা মহৈরোইশিংনা পূন্সিগী পান্দম অমমম থমদুনা অখাঙ কন্না চাং নাইনা হোৎননবা অমদি ওজা গুরু, মমা-মপা অহল লমনশিংনা তাকপী তন্বীরিবা অমসুং লমজিংবিরিবা অসিদা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা থকসি খাসি নাইনা চৎনবা মহৈরোইশিংবু পাউতাক কয়া অমা পীখি।

# নোংমগী ওইবা লীগেল এৱেরনেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

পি এম উশাগী মখাদা রোয়েল একাদমী ওফ লো, ওইনামনা লীগেল এইদ ক্লিনিক, পাৎশোই অমসুং দিফ এন্দ ম্যুট স্কুল তাকয়েলগা খূৎশম্নরগা নোংমী ওইবা 'ৱান দে লীগেল এৱেরনেস প্রোগ্রাম ওন রাইটস ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ' হায়বা এৱেরনেস প্রোগ্রাম অমা তাকয়েলদা লৈবা দিফ এন্দ ম্যুট স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা থৌরম অসিদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সি পি সি আর)গী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা চীফ গেষ্ট, তাকয়েলদা লৈবা দিফ এন্দ ম্যুট স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস এন সুনিতিবালানা প্রসিদেন্ট, রোয়েল একাদমী ওফ লো ওইনামগী প্রিন্সিপাল ইলিজা মাইস্নাম, তাকয়েলদা লৈবা আইদিয়েল ব্লাইন স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস মঙ্গিবালা হুইদ্রোমনা গেষ্ট ওফ ওনর, দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফেয়ার গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী এক্সটেন্সন ওফিসার এল বোবো, সি আর সি এস আর ই ইম্ফালগী দাইরেক্টর এন খোইবী, সাইকোলোজিষ্টকী তানিয়া অকোইজম্না রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মতাংদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারমেন কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়খিবদা, লমদম অসিদা নিংথিজনা য়েংশিনবিদ্রবা অঙাং ময়াম অমা লৈরি। মসিগী মনুংদা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ (পি দব্লিয়ু দি) ওইরবা অঙাংশিং অসিনা হেন্না ফিভম শোক্লা লৈরিবনি। অদুনা পোলিসি নৎত্রগা প্রোগ্রাম তৌবা মতমদা খ্বাইদগী অরোইবদা লৈহৌবা অঙাং অদু ফাওবা খুদোংচাবা ফংহনগদবনি।

পি দব্লিয়ু দিশিংদা পীফম থোকপা রাইট, প্রিভিলেজ, ফেসিলিটিশিং অসিসু মপুং ফানা ফংহনগে হায়রবদি মখোয়দা এদুকেসন মঙাল মতিক চানা পীবিবা অমদি এৱেরনেসশিং পীবা মথৌ তাই। মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মখোয়গী ওইবা তোখাইবা স্পেসিয়েল ফোকস ওন চাইল্ড হায়বা অমা থম্লগা শোত্থনা লৈহৌরবা মার্জিনেলাইজ ওইরিবা অঙাংশিং অসি মমাঙদা পুখৎফম থোকই হায়না মখা তাখি।

# নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা হাইব্রিদ নেসনেল সেমিনার হৌখ্রে




**পাউনিলখোন ন্যুজ সার্ভিস ইম্ফাল, মে ২০ (পিকে)ঃ**

রোলস ওফ মাইক্রো ওর্গানিজমস ইন ফুদ প্রোসেসিং এন্দ প্রিজার্বেসন হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথুগদবা হাইব্রিদ নেসনেল সেমিনার অমা নম্বোলদা লৈবা এস কুলা ৱুমেন'স কোলেজগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি পি এম উশা দাইরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদুকেসন মণিপুর গভর্ণমেন্টকা খুৎশম্নরগা এস কুলা ৱুমেন'স কোলেজ নম্বোলনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্কুল দিপার্টমেন্ট ওফ বোটানিগী প্রোফেসার ডা. সুরেসকুমার সিংহ, এস কুলা ৱুমেন'স কোলেজ নম্বোলগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে লোকেন্দ্রা সিংহ, দাইরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদুকেসনগী ও এস দি ঐচ মঙলেম সিংহনা অথোইবা মীথুংলেশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এস কুলা ৱুমেন কোলেজ দিপার্টমেন্ট ওফ ফুদ টেক্নোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. হৈগ্রুজম বোবোইনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী পোপুলেসন অসি হেনগৎলকপনা চিঙ্জাক্কী পোৎথোকশিং মাঙহনবগী মহুত্তা লীদুনা থম্নবা অমদি চিঞ্জাক লীদুনা থম্বদা মাইক্রো ওর্গানিজমশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি মীয়াম পুন্না খঙমিন্ননবা পান্দমদা থৌরমসি পাঙথোকপনি অমদি চিঞ্জাক লীদুনা থম্বদা সেমিনার অসিনা অচৌবা মতেং ওইগনি থাজে হায়খি।

**NUMEROLOGY TRAINING COURSE**
**(FREE NUMEROLOGY COACHING CLASS)**

নোর্থ ইষ্টতা অহানবা ওইনা শাংলবা চহী কয়াগী মমাংদগী হৌনা Numerology হায়বা সবজেক্ট অসি মীপুম খুদিংমক্না খঙননবা, হৈননবা হায়দুনা ঙসিফাওবা শেল লৌদনা লেন্না তাকপী তন্বীদুনা লাকচরিবা অসিগী মনুংদা সবজেক্ট অসি তন্বা লোয়খিবা অহৈবা, অচংবা মহৈরোয় কয়াসু পুথোকখ্রে। হৌজিকসু মখা তানা Numerology হায়না সবজেক্ট অসি থৱায় য়াওবা, হৈনিং-খঙনিংবা, তমনিংবা মীওইশিংনা মতম খরগী ওইনা লেন্না তন্বা য়াবগী খুদোংচবা পীজরি। মসিগীদমক থৱায় য়াওবা, পামজবা তন্নিংবা কাংবুনা ঙসিমক অথুবদা **FREE NUMEROLOGY COACHING CLASS** অসি য়াওনবগীদমক মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।



**AKHAM LANGOL**
Astro-Numerologist
Sagolband Moirang Leirak Machin, Imphal
***Contact No. :*** **8132856987, 6909634572, 8132054379**

# ANANGGIDAMAK



# মীতোপ খন্দোকসি য়াদবনা লমদম...

..লমাই ১গী মখা.. মীতোপশিং খন্দোকউ হায়নালৈঙাক্কী মথক্তা প্রেসর পীবদি মহৌশানি। মীয়াম্না পাম্লিবা অনিংবা অপান্বশিং অসিগী মায়োক্তা লৈঙাক্নসু থবক তৌদবা ফৈ।

সি এস ওশিংনা অহিং নুংথিল, নোংজু নুংশা খাইদনা লাওরিবা অসি লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবনি। লোয়ননা লমদম অসিদা মপাল লমদগী নারোলদা চঙশিল্লকপা মীতোপ মীরানচাশিংনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা লান্দাদুনা মমল য়াম্লবা মীচম কয়া অশি অনা য়াওখ্রে, য়ুম কৈ কয়া মৈনা তুম্না থাদোকপীখিবদগী মীওই লিশিং কয়া তুংগী মঙলান উদনা ৱানা হিংলি।

অসিগুম্বা কয়া অসিনা ঐখোয়গী ইমোসনদা চৎপা য়ারক্তবা রিয়েলিটিদা য়ূম্ফম ওইরগা চৎপা মথৌ তারকপা মরম্না ঐখোয় পূম্নমক্নগা লমদম অসি কন্নবা হোৎনবদা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বদু মুন্না খন্ন নৈনবা মথৌ তারে। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা থৌরাংলিবা মীকোক থিবগী থবক অসি য়াম্না ফবা থবক অমা ওইরবসু লমদম অসিগী মীয়াম্না করিগী য়াদ্রিবনো হায়বসি লৈঙাক অসিনা খঙফম থোকই। মীকোক থিবনা লমদম অদুগী চাওখৎ থৌরাং তৌবদা হেন্না খূৎমাঙ চাওশিনগদৌরিবনি। অদুম ওইদুনসু মীতোপ খন্দোক্তনা মীকোক থিববদি ঐখোয়না য়ানিংদে, লমদম অসিদা নারোলদা চঙলকখিবা মীতোপ মীরানচাশিং লান্না খন্দোক্লবা মতুংদা মীকোক থিবগী থবক চথুবিয়ু হায়জবনি।

য়েলহৌমীশিংগী চাকথুং মুন্দুনা হিংগনি খন্দুনা চঙশিল্লকখিবা মীতোপশিং খন্দোক্তনা করম্না নিয়ম চুম্না মীকোক থিবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি লৈঙাক অসিনা খঙফম থোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

**ADMISSION OPEN**
**NURSING & PARAMEDICAL**



100% Job Guaranty

- Kana Leijadraba Singgi oina Lemna Meeoi 5 Tamhanjagni
- Scholarship Facility, Govt. of Manipur
- Low fees — Seat are Limited

First come first serve

**10 passed and above**
1. Diploma in Radiology & Imaging Technology (DRIT) (Ultrasound, MRI, CT-Scan, X-Ray)
2. Diploma in Medical Laboratory Technology (DMLT)
3. Diploma in Dialysis
4. Diploma in Dental Technician
5. Diploma in Sterilisation
6. Diploma in Electrocardiogram (ECG)
7. Diploma in Ultra-Sonography
8. Diploma in Physiotherapy Technician

**12 passed Arts & Science**
9. GNM- (General Nursing & Midwifery)
10. B.Sc, in Radiology & Imaging Technology
11. B.Sc. in Medical Laboratory Technology
12. B. Sc. in Operation Theatre Technology
13. Doctor of Acupuncture
14. D.Pharm and B. Pharm

**SAINA INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES (SIMS)**
Porompat Crossing opt. SBI, & Chinikon, (Near FCI Godown Bishnupur)
# 03852443946/ 8415863947/ 9402429266
7005687097 / 8259058533
Website: www.simsmanipur.com

*Owned & Published & Edited by Ch. Meghabarna Singh Printed by him at , Chongtham Printer's Paona Bazar, Near Usha Hall Imphal, Email:-paonilkhon@gmail.com # 9862759809/8257827670/WhatsApp 8794432866*